হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, জন্যুৱারী ১৩, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ২৮৬শুবা মশীং

# প্রি-পোল ভাইওলেন্স
## দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ফেল ওইরব্রা

ভোট থাদনবগী মতম ফাওবা লাউথোক্লবা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখল, ২০২২গী মাঙওইননা থোকচিল্লক্লিবা প্রি-পোল ভাইওলেন্সশিংসি য়াম্মনখ্রে। চুম্নগী ঙাইহাক চিন খক্তদা ওনশিন্দুনা লাউনরম্বদগী হেন্দোরক্তুনা খূৎ য়াওনরক্লে। মী শিবা য়াবা থাঙ-তেন অমসুং খূৎশু-খূৎলায়শিংগী মনুংদা নোংমৈ য়াওরকপদগী মথক্তা থোক্লিবা থৌদোকশিংসিসু লাম্নৈ চাকপদৌনা শন্দোরক্লে। হৈরোকতা ইমুং অমদা চঙশিল্লক্তুনা নোংমৈ কাপশিল্লগা মহৈরোয় নহা অমা শিহনখ্রগা মহাক্কী অপোকপা মপাবুনা শোকহল্লম্বগী থৌদোক থোকখ্রে। থৌদোকসিগী মতাংদা নীংদোল পোম্নবা হন্থরক্ত্রিঙৈদা জন্যুৱারী ৯, ২০২২গী নুমিদাংদা নোংমৈ কাপ্তুনা মী হাৎপগী থৌদোক ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চল্লিবা শামুরৌদা অমুক থোকখ্রে। হৈরোককী থৌদোক্তুদদি মীওই অমত্তমক লৈখিদবনি। অদুবু ৱাঙ্গোই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চল্লিবা শামুরৌগী থৌদোক্তদি মীওই অনীগী পুন্সি মাঙখ্রে। অদুবু নোংমৈনা কাপ্তুনা মী হাৎপগী থৌদোক মনম মনম থোকচিল্লক্লিবা অসিদগী হংদবা য়ারক্ত্রিবদি অসুম্মাইনা নোংমৈ কাপ্তুনা মী হাৎপগী থৌদোকসি শামুরৌগীসিনা লোইরব্রা? মখা তানা থোরক্লরোইদ্রা হায়বসিনি। ৱাহংসিগী পাউখুম পীগদৌরিবা লৈঙাক অমসুং মসিগী মরী লৈনরিবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা ৱাহংসিগী পাউখুম শেংনা অমসুং চুম্না পীবা ঙমগদ্রা? মসিমকসু অচৌবা ৱাহং অমা ওইরি। অদুবু হৈরোক্তগীনা শামুরৌ ফাওবগী মীশি মীনাগী থৌদোক অনীসিগী মরক্তা নোংমৈ শীজিন্নবা, নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অতৈসু থোকখ্রে। চুম্না মীশি মীনা য়াওবা-য়াওদবা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোকশিং থোকচিনখিবগী মথক্তা তোঙান তোঙানবা অন্দরগ্রাউন্দ আউটফিটশিংনা মখোয়গী ওইবা ওফেন্সিভশিং চথনরকপগী থৌদোকশিংসু থোকচিল্লক্লি। অসিগুম্বা ইমপ্রোভাইসদ্ এক্সপ্লোসিভ দিভাইস (আই ঈ দি) অমসুং হেন্দ গ্রেনেদনচিংবা য়াওবা থৌদোকশিং অসি মীখল মমাঙগা ওইবনিনা মশীং হেঙ্গৎলক্কদবসু মাল্লি। থোরক্লরোই হায়বা নাখে শেংনা হায়বা য়াদ্রি।

পূম্নমকসি ওইরগদি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন লৈরি অমসুং পাঙথোকফম থোকপা থবকশিং পাঙথোক্লি, পাঙথোক্লগদবা মীখলসিগীদমক লৌখৎফম থোকপা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলি হায়দুনা লৈথোকপা য়াগদ্রা? হংলুরববুদি লৌখৎলি, তূমিন্না লৈথোক্তে শোয়দনা হায়রক্কনি। অদু ওইরগদি লৌখৎ-লৌখৎনা হঙ্গাম চান্নবা পোলাংদগী ঈশিং লিৎথখিবদৌনা থোকচিল্লক্লিবা থৌদোকশিংসি করিনো হায়বনি। মস্বাইদা লৈঙাক অমসুং হকথেংননা মরী লৈনরিবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মায়কৈদা কৈবুই-কৈওইবগী উতোং অহোবদৌনা হোত্রোং-হোরে হায়বসিদি চুল্লে। হায়দবসু য়ারক্ত্রে। অহোবা লৈত্রগবু ঙাইহাক লৈতনা মীচমশিংবু নোংমৈনা কাপ-কাপ্তুনা হাৎপা অমসুং শোকহনবগী থৌদোকশিং থোরক্কদ্রা? মতম লোইশিল্লক্লবা লৈঙাকসি লৈরকখিবদগী বন্দ/ব্লোকেদ/জেনরেল ষ্ট্রাইক লৈতবা ষ্টেট অমা ওইল্লে। নুপী অঙাং য়াওনা মীয়াম মশা-মশাগী ময়ূমদা নে-তানা, ঈংনা তূমজবা ফংলে, লো এন্দ ওর্দর ফগৎলে হায়দুনা মীয়াম তিনবা থৌরম খুদিংমক্তা হায়দুনা লাকপদু হৌজিক্তি করি শারে। ফরে হায়রিবা লৈঙাকসি লোইশিল্লকপদা মশাগী অশেংবা মশক্তা হঞ্জিল্লক্তুনা লিননা মখুল চঙলমদাইদা চুম্মী হায়বদুগী ফীভমদা পূম্নমক উৎতা ঘি হৈরব্রা হায়বগী ৱাহং চোঙথোরকই। মসি ওইরগদি নহানমখে তৌরল্লিবা ময়ামদুদি মনানা হৈমাং শারম্বনি হায়রক্লোইদবগী মরম লৈব্রা? অসিগুম্বা থৌদোকশিংসি মখা তানা থোকহল্লকপা চুল্লোই। মরমদি থোরকহনফম থোক্ত্রগসু থোকখ্রবা মতুংদা খূৎফম হঞ্জিন্নবা য়াবা পোৎ চৈ, লন-থুম খরা অমাঙ-অতা থোকপদগী হেন্দোরক্তুনা অমুক হল্লকপা য়াররোইদবা অশি লমদমদা থাখিবা থৱায় অহুম শুখ্রবনি। মতাংসিদদি তূমিন্না লৈথোকপা অচুম্বা ওইরোই। অউপ্পা উনা লোংথোক্তুনা শামুরৌগী থৌদোক্তা চেন্নবা মীওইশিং অথুবা মতমদা ফাগৎলু। মীহাৎপদা শীজিন্নবা নোংমৈ রিকোভর তৌ। লোগী মতুং ইনবা চৈরাক ফংহন্নবা মথৌ তাবা থবকশিং প্রপ-প্রপ পায়খৎলু। পুকচেল শেংনা খূৎশিন্নবা নশা-নশাগী নথৌশিং পাঙথোকউ। নশাদা শিন্নরিবা থৌদাংশিং চপ চানা লৌখৎতুনা মীয়ামগী পুন্সি কল্লু। লৈবাকসিদা এদমিনিষ্ট্রেসন লৈরি, লো চৎনরি হায়বা ময়েক শেংনা খঙহল্লু। ঙমদ্রগনা খোঙবী-খোঙনাওদগীনা মকোক লুপ্লেন ফাওবদা লৈরিবশিং মীকূপ অমত্তা ফাওবা পন্থরমদনা ফম থাদোকউ। মহুৎ শিনবিনবা ফর-ফরবা অমসুং হৈর-হৈরবা মীওইশিং কোকথোং অমা লৈ। নখোয়গী মহুৎ শিন্দুনা লৈবাক্কী থৌগাই শিন্নরম্মু। লৈবাক ঙাকহল্লম্মু। হৈত্রদি, ঙমদ্রদি কোনশিন্দুনা লৈগনু।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৩

১) ***"তালোই মরুম্বী, মপারি নুংজানবা, মমোম নুংঙোনবী মরল য়াৱা পুজাও রোইবা পুন্নমাসুং অমল য়াইথোং কুম্বদা ৱাইর লমজেন ফিগুম ঙাইরোইনদে। গুরুমপাওতাক ফংজবদা -- ৱারমসনা মৈখাংবদুম নামপ্রকাশ ময়েক অহুমমানা ৱাকয়ৈ হিগা ওই, লমলোই থৌদোক খোলনা খুমুনৌগা ওই, ৱাচুম ললওইননা মানা মানা নিংবদা লাংওনখিএ। অসিগীদমকপু গুরুসনা মাখোংখাদা নোম্না লনথোই তানববু থিনফরোইএ"*** ৱাহৈ পরেংশিং অসি করি লাইরিক্তগী লৌথোরকপনো?

২) **"শ্রী শ্রী গোবিন্দজী বসন্ত হোলি লিলা শৈশক শৈরেং"** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

৩) ***"ইচে বীনো"*** হায়বা লাইরিক অসি অইবা কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) ***"ফিমন খুনবা"*** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কৃষ্ণমোহননা হন্দোকপনি। লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অদু কনানা করি লোলদা ইবা করি মমিং কৌবা লাইরিকনো?

৫) ***"মীকুপ খরদুই পুন্সিগী মহাও"*** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ৬০
## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

চাইথোরকপা ৱাখল
**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

শুমাং লীলানা থেংঙ্খাং কয়ারক্তা অকা অকুম নাইদুনা ইথক ইপোম শাহুম কনবা, শোনবা লৈখ্রবসু ঙসি ফাওবদি শুমাং লীলা হিংলি। হিংলিবা খুহিং অসি মহৌশাগী মতৌ অদুমক্তি ওইদ্রে। মতু মমান ইখিং খিংদ্রে হায়বসিদি হায়জিনবা নত্তে, মীপূম তিংনা হায়নবনি। শুমাং লীলানা লৈরম্বা ফীভমদগী খরা একেদেমিক এপ্রোচ অমদা চঙশিন্দুনা মশাবু ঙাকথোকচনবা হোৎনবা হায়বসিগী মথৌ কন্না তারকপা মতমদা মতম মতমদুগী লুচিংবা ওইখিবশিংনা শুমাং লীলাগী খন্ন-নৈনবা অমদি মদুবু লমদমসিগী স্কোলরশিংদা য়ৌহন্দুনা মমুৎ তানা নৈনরগা অফবা সজেসন কয়া লৌনবা পান্দমদা থৌরম কয়া শীনখি। তোঙান তোঙানবা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি। দেলিগেট মশীং য়াম্মন্দুনা অৱাবা য়াম্না ওইখি। অহানবদা অর্য়ান থিএটরগী হোল ৱায়দুনা শীনখিবনি। চাওখ্রবা হোল অদু মী চনখিদে। অদুবু মতমদুদা শুমাং লীলা য়াওবা মমিং লৈরবা মীওইদি থোইনা উখিদে। মখোয়দা মদুগী কান্নবা অমদি মদুগী অপান্বা লৈখিদে। মদু কান্নদবা অমগুম লৌখি। অশিন অরাং ওইরিবা ঐবুসু করেম্নখি। শুমাং লীলাগী আর্টিষ্টশিং অঙকপা অমা ওইখি। মখোয়দা য়াওরিবা নাপল অদুনা মাঙ থারগা সেমিনার অদুবু মরু ওইনা লৌখিদে। য়াওবীনবা হায়রবসু তাবীখিদে। অনীশুবা ওইনা জৱাহরলাল নেহরু দান্স একাদেমি হোলদা অমুকসু শীনখি। মদুদসু থৱায় য়াওনা থোইনা য়াওবীখিদে। ঐ ইশামক্তনা ষ্টেটকী লেভেলদা শীনখিবা সেমিনার অসি অনীরকনি। শুমাং লীলাগী খোঙচৎ তৎতনবগীদমক অনৌবা আর্টিষ্ট কয়া পুথোক্লবা অমদি মখোয়দা ঈথিল পীনবগীদমক ৱার্কশোপ থা অমা চূপ্পা ঐ ইশানা মপূং ওইনা শীন্দুনা ষ্টেট গেষ্ট হাওস ৱায়দুনা পাঙথোকখি। মতমদুদা তোঙান তোঙানবা লমদগী পামজবা নহা কয়া লাকখি। অদুগুম্বা ৱার্কশোপ অদুদসু শুমাং লীলাগী মরমদা তাকপীনবা, শুমাং লীলাগী ওইবা এক্টিং মেথোদোলোজি অসিবু মুন্না খঙবা হন-হন্দুনা থিবদা থোইনা লৈখিদে। মশা মশাগী পর্ফোর্মেন্সতদি পংতৌদা তৌবা, মীয়াম্নসু য়াম্না য়াবা অদুগা ক্লাস ওইনা লৌদুনা অনৌবা লাক্লিবশিংদা তম্বীবগী থবক অসিমদি ইহাঙ হাঙখি। মী লৈখিদে। মতম মতমগী ওইবা সেমিনার পাঙথোকখিবশিংদা থোইদোক্লা পূক্লিং চঙনা খঙনীংনা য়াওবা কয়া থোইনা লৈখিদে। মসিগী চাওরাকপা মরমদি, শুমাং লীলা হায়বা আর্ট ফোর্ম অসি মখোয় মখোয়না তৌরিবা খরা অদুনা লোইরে, মখোয়না তৌরিবদু য়ারে হায়না খনবা অমদি মখোয় অসি মীয়াম্না য়ারবনি হায়না মশানা লৌজদুনা, মশা মথন্তনা নাপল য়াম্না কাবগী মওং অমগী মমি অদুনি। মসি পূম্নমক্তা ওইরমদবদি য়াই, অদুবু অয়াম্বনদি মসিগী ফীভম অসিদগী হেনদে।

অমরোমদা মতম অমগী মশক মমিং লৈরবা শুমাং লীলাগী আর্টিষ্টশিং অসি কা হেন্না লাইরিক লাইশুরোমদা থাক পংৱাং ৱাংবা ওইদবা অসিনসু অদুগুম্বা একাদেমিক এক্সর্সাইজ অসি থোইনা পামদবা অমদি য়াওরুরগসু হায়নরিবা, ঙাঙনরিবা কয়া অদুদা মখোয় মখোয়গী ওইবা ওপিনিয়ন থম্বা ঙমদবনসু ওইবা য়াই। ইশেং শেংনা হায়রবদা মীরক চঙবদা মশাদা হঙ্গোইজবা অমা ইফাও ফাওবগুম্বা অমা ওইখি। মসিনসু শুমাং লীলানা য়ং য়ং লাউনা মতিং লৈরিঙৈ মতমদা তৌহৌগদবা থৌশিল কয়া নীংথিনা তৌরমখিদে। মখোয় মখোয়না শান্নখিবা মমিং লৈরবা লীলা কয়াগী স্ক্রিপ্ট মফম খঙনা থম্নদে। ইরিবশিংনসু মখোয়গী স্ক্রিপ্ট অদু প্রিন্ট তৌথোক্তুনা ফোঙদোকপগী ৱাফম লৈখিদে। তৌবগীবুদি, মতম অদুদা ঐখোয়না সুম য়েংলকপদা থেংনরকপা এক্সপরিএন্সকী মতুংইন্না অহল লমনশিং অদুনা অনৌবা লীলা অমা পুথোক্লবা হোৎনবদা মতমদুগী অইবা খরদি, মখোয়গী লীলাগী ওফিসতা রাইটর অদুবু থল্লগা, মচি অমদা তূমিন ফল্লগা মানা থোকপা ইবগী হৈনবী অমসু লৈরম্মী। য়াম্না মতম চঙনা অমদি ৱাখল খল্লগা ইবা রাইটরসু লৈখিদবা নত্তে। অদুবু পার্টিগা তিন্নরগা পার্টিগী মীশিংদুগা ফম্মিন্নরগা ইবা রাইটরসু লৈখি। য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদা ইরম্বা অইবা খরা - জি সী তোংৱা, অথোকপম তোমচৌনচিংবশিং অসিদা মখোয়গী স্ক্রিপ্ট অদু য়াম্না চেকশিন্না মতমদুগী খুন্নাইগী, মীয়ামগী, সোসল সিষ্টমগী হোংলক্লিবা কয়া অদু অনৌবা ৱাহন্থোক অমা পীদুনা ৱারী পরিং শেমগৎতুনা নোকপা, কপ্পা, খন্ন-নৈনবা,

পাউজেল, কুম্মৈ মথেল শুনা হাপ্তুনা ইবিরম্বা ঙাক্তনি। মদুগী খুদম হায়ববু রাইটরশিং অদুনা ফোঙবীরল্লিবা লাইরিকশিংদা য়েংলগসু অদুম মীয়াম্না খঙবীরিবা অদুনি। মখোয়গী মতুংদা থোরকপা রাইটরশিং - ঙাইরাংবম ইবোহল, থাংজম বিরচন্দ্রনচিংবা কয়া অমসু লৈরি। ওজা বিরচন্দ্রদি মহাক্কী লীলাগী স্ক্রিপ্ট অয়াম্বা লাইরিক ওইনা ফোঙদোক্তুনা থম্বীরমখি। মসিমক য়াম্না লাইবক ফবা অমনি হায়না লৌবা য়াই। অসুম্না মতুংদা মরী মরী লাকখিবশিং - ইবোমচা, রুপচন্দ্র, চানা লুখোই, রাজেন তোইজাম্বা, দিনেসনচিংবা ময়াম অমা লৈরি। লোয়নমক পনবগী খুদোংচাবা চাদবা লৈবনা শুনদি পঞ্জদ্রে, খরখক ময়ামদা নীংশিংবা নুংঙাইনবা থমজবনি। অদুবু অয়াম্বা রাইটরশিং লাইরিক ফোঙবরোমদদি কয়া কন্না তৌখিদে। চানা লুখোই অমদি রাজেন তোইজাম্বদি লাইরিক খরা ফোঙবা হৌরকখি। অদুবু লীলা খুদিংমক ফোঙবগী খুদোংচাবা লৈতবনরা কৈনো থেংনদে। রাইটরশিং অসিনা ইবিখিবা লীলাশিং য়াম্না ফজবা অমদি নৈনবা য়াম্না নুংঙাইবা লীলা ঙাক্তনি। অদুবু থোইনা মদুগী খুদোংচাবদুমদি ফংদ্রে।

মসিনা মায়কৈ অমা ওইরগা, শুমাং লীলাগী আর্টিষ্টশিং অসিনা হৌজিক তৌবা য়াবা য়াম্না লৈরি। ঙসি ঙসিখক্কী খনবা নত্তবা, তুংদা করি লাক্কদগে, করি ওইরক্কদগে হায়বা ৱাখল মীৎয়েং য়াম্না শান্না য়েংবা অমা মথৌ তারি। হোংলক্লিবা মীয়ামগী ৱাখল, ওইরক্লিবা মালেমগী ফীভম অসিদা ঐখোয়না ঐখোয়গী ত্রেদিসন অমদি কলচরবু শেন্নবা ৱারল্লবা মতম অসিদা অসুক ফখ্রবা মণিপুরগীদি অতাঙবা পর্ফোর্মিং আর্ট ফোর্ম অমা ওইরিবা শুমাং লীলানা লেঙদনা অসুম লৈয়ু হায়বা য়ারক্তবা য়াই। মদু ঙাকথোক্লবা কাঙলোন খরা শেমগৎহৌবা মথৌ তাই। ইন্দিভিজুএলিষ্ট ওইদনা, ষ্টেটসিগী লনগৈ অমা ওইনা খল্লগা ফীভম ময়েং তাখিদনবা করি করি তৌহৌবা য়াবগে হায়বা অসি য়াম্না মমুৎ তানা খন্নবা মথৌ তারি। হৌজিক শুমাং লীলাগী পার্টি মশীং য়ামশিল্লক্ত্রে, লৈরিবা খরা অসিসু অখন্নবা অনী অহুম নত্তনদি লীলা চৎপা ঙমদ্রে। পার্টি মশীং হেনগৎনবা, শুমাং লীলাবু অমুক হন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা হোৎনহৌদ্রবদি তুংদা য়াম্না অৱাবা ওইরকপা য়াবগী অকিবা লৈতবা নত্তে। অদুনা হৌজিক লৈরিবা আর্টিষ্ট অসিনা পুকচেল চাওথোকপা অমা মথৌ তাগনি। মমিংতগী ওইনা লৈবা লীলা পার্টি খরগা চহীগী ওইনা পাঙথোকপা ফেষ্টিবেলদা বেষ্ট প্লে, বেষ্ট এক্টর/এক্ট্রেস অমদি অতৈ মনা মথুম ফংলে হায়না চাওথোকপগী মতম অদু নৎত্রে। মমাঙঙৈগী মতমদদি লীলা পার্টি ২০গী মথক্তা লৈদুনা য়াম্না অকনবা কম্পিটিসন তৌনরম্মী। মদুদা মনা ফংলকপদু মমল য়াম্না য়াল্লম্মী। হৌজিক্তি পার্টি মশীং য়ামলক্ত্রে। কম্পিটিসনসি অসুম অসুম পিকশিল্লক্লে। লমজেল চেনমিন্নবা মী য়াওদনা ফষ্ট তাবদা খূবাক মখোল হৌরক্ত্রে। অদুনা মসিগুম্বা অসিদা ঐখোয়না নুংঙাইথোক্তুনা পেম্থোক্তুনা লৈথোকপা মতম ওইদ্রে। করম্না লৈকায় লৈকায়দা হান্নগুম লীলা চৎকদগে হায়বদু অখন্নবা মীফম ফমদুনা খন্নহৌবা চুমগনি।

মতম অমদা মণিপুরী থিএটরগী চাওরবা মফম লৈরম্মী। হৌজিকসু লৈরি। মালেমদা থিএটরনা মণিপুরবু মশক তাক্লি। অদুবু লমদম অসিদা লৈরিবা থিএটরগী ফীভমদি ওদিএন্সশিংগা য়াম্না লাপথোক্লরকপা ওইনা উবা ফংলে। মসি অফবা খুদম অমা নত্তে। হপ্তাগী ওইনা তৌরম্বা থিএটর হোল হৌজিক্তি উৎপা ঙমদ্রে। ওদিএন্স লাক্ত্রে। ইনভিটেসন তৌরবা ফাওবদা য়েংবা চত্তবগী ফীভম লাক্লবা অসিদা থিএটরগী ৱার্করশিং মপাঙ্গল য়াম্না শোন্থখ্রে। মসিগী ফীভম অসি শোয়দনা শুমাং লীলাদসু নোংমা তারকপা য়ারিবনি। অদুনা য়ারিবমখে ঐখোয়না ঐখোয়গী ফীভম অসি চেৎনবা হোৎনহৌবা হায়বসি য়াম্না মরু ওই। ●

# অহানবা আই এন বি এ মণিপুর পাঙথোক্লগনি

**- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -**

লাক্লিবা ইরমদমগী ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ ইলেক্সন অসিগী মাঙওইননা মণিপুর ষ্টেট লেভেলগী ওইবা থাক্তা নেচরেল বোদিবিল্ডিং এন্দ ফিটনেস অহানবা ওইনা ইম্ফাল মনুংদা পাঙথোক্লগনি। হায়রিবা নেচরেলগী ওইবা হায়বদি নেচরেল ওইবা দাইট শীজিন্নদুনা চাহৈদবা, ৱর্ল্ড এন্টি-দোপিং এজেন্সী অমদি ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিনা থিংলবা পোৎলমশিং (anabolic steroids, hormone, insulin, diuretics) নচিংবা অসি শোক্লুদনা শান্নজবা শান্নরোয়শিংগী চাংদম্নবগী ফম্বাক অসি আই এন বি এ ইন্দিয়া অমদি আই এন বি এ এসিয়াগী লুচিং মখাদা আই এন বি এ মণিপুর ব্রাঞ্চনা পাঙথোক্কদবনি (International Natural Bodybuilding Association, Manipur Branch).

হায়রিবা নেচরেলগী ওইবা চাংদম্নবা অসি ষ্টেট লেভেলগী অহানবা ওইনা পাঙথোক্লবসু মসিনা নেচরেল ওইনা পাঙথোকপা অহানবা চাংদম্নবদি ওইদ্রে। কুমজা ২০১৭তা আই এন বি এ এসিয়াগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা ডা. ঙাংবম শান্তিকুমার মীতৈগী লুচিং মখাদা মহাক্লা ঙমজবা হোৎনজদুনা হৌজিক হৌজিক আই এন বি এ মণিপুরগী ফমসু পায়বীরিবা থৌবুরেল খরগা খূৎশম্নদুনা ইন্দিয়াগী ওইবা নেসনল লেভেলদা "Legendary Maipak and Dr. Ngangbam National Level Natural Bodybuilding and Fitness Championship" ইন্দিয়াগী নেচরেলগী ওইবা অহানবা মশা মউ ফবগী চাংদম্নবা অসি পাঙথোকখ্রে। চাংদম্নবা অদুদা ইরমদম মণিপুর অমদি ইন্দিয়াগী ষ্টেট কয়াদগী নেচরেল শান্নরোয় ১০০ হেনবনা শরুক য়াখি অদুগা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী জজশিংসু লাক্তুনা শরুক য়াবীখি। নেচরেলগী ওইবা খোঙচৎ অসিগী মখা তারকপদা কুমজা ২০১৮দা বেঙ্গলোরদা আই এন বি এ ইন্দিয়া ওফিসল্লি হাংদোক্তুনা কর্ণাটাকা মচা, রঘুনন্দনবু প্রসিদেন্ট ওইনা হাপ্তুনা চহীদুমক্তা আই এন বি এ ইন্দিয়া নেসনলসু পাঙথোকখ্রে।

মসিগী মখা তারকপদা কুমজা ২০১৯দা আই এন বি এ, পি এন বি এ ৱর্ল্ড অমদি আই এন বি এ এসিয়াগী লুচিং মখাদা অহুমশুবা এসিয়া পেসিফিক ইন্টরনেসনল বেঙ্গলোরদা পাঙথোকখি। আই এন বি এ ইন্দিয়া নেসনল অমদি অহুমশুবা এসিয়া পেসিফিক ইন্টরনেসনল অনীমক্তা ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুরগী নেচরেল ওইনা শান্নজবা শান্নরোয়শিংনা ওভরওল মিংথোলশিং অমদি প্রোফেসনল কার্দ ফংবগী মথক্তা নেসনলদা টিম রন্নর্স অপ ফংলকখি অদুগা এসিয়া পেসিফিক ইন্টরনেসনলদনা টিম চেম্পিয়নসু লৌরকখিবনি। ইন্টরনেসনলগী থাক্তা চাংদম্নবা অদুদা ইরমদমগী নেচরেল শান্নরোয় ৪/৫সু প্রোফেসনেল কার্দ ফংদুনা কুমজা ২০১৯দা য়ু এস এগী লাস ভেগাস সিটিদা পাঙথোকখিবা আই এন বি এ, পি এন বি এ নেচরেল ওলিম্পিয়াদা য়ৌরুবগী ইনভিটেসনসু ফংখিবনি। অদুবু খুৎয়ৌনখিবা অমদি শেল থুমগী ফীভম চাখিদবনা মখোয় য়ু এস এদা নেচরেল ওলিম্পিয়া য়াওবা ঙমখিদে।

বোদিবিল্ডিং হায়রিবা মশান্না অসি ওলিম্পিক গেমসকী মশান্না অমা ওইনা ইন্টরনেসনল ওলিম্পিকনা লৌশিনবা য়াবগী তাঞ্জা ফংখ্রবনি। ঐহাক ইশামক ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী মখাদা শীনখিবা সাউথ কোরিয়াগী সিটিদা পাঙথোকখিবা ২০০২ বুসান এসিয়ন গেমস অমদি ২০০৬ দোহা এসিয়ন গেমস অনীমক্তা চাইনিজ টাইপৈগী (টাইৱান) মহুৎ শিন্দুনা শান্নরোয় অমা ওইনা শরুক য়াখি। অদুবু লাইবক থীবদি ৱর্ল্ড গেমস অমদি মথক্তা পঞ্জরিবা এসিয়ন গেমস অনীমক্তা দোপিং টেষ্ট তৌবদা বোদিবিল্ডিং শান্নরোয় কয়া আই ও সীনা থিংলবা ষ্টেরোইদনচিংবা দ্রগশিং শীজিন্নরম্বা থেংনবদগী ৱর্ল্ড গেমস অমদি এসিয়ন গেমসতগী লৌথোকখিবনি। মসিনা মরম ওইদুনা ২০০৬ দোহা এসিয়ন গেমসকী মতুংদগীদি বোদিবিল্ডিং হায়রিবা মশান্না অসি অদুম লৌথোকখ্রে ৱর্ল্ড গেমস অমদি এসিয়ন গেমস অনীমক্তগী। এসিয়ন গেমস অমদি

ৱর্ল্ড গেমসতগী লৌথোকখ্রবনিনা নেসনল গেমসতগীসু লৌথোকখ্রে। টাইৱান নেসনল গেমসতা ইশামক অহুল্লক থোকপদা অহুল্লক অহানবা মনা ফংদুনা চহী অনী অনীগী ওইনা শেল খরা খরা ফংবা ঙমজরম্বদো অদুম ফংবা ঙমখিদ্রে মশান্না অসি টাইৱান নেসনল গেমসতগী লৌথোকখিবনা। ইন্দিয়াদসু মদু মঙাই। মসি কনানা ওইহল্লিবনো হায়রগদি দ্রগ শীজিন্নবা শান্নরোয়শিং অসিননি হায়না থমজগে।

ফীভম অসিদা লৈ হায়দুনসু বোদিবিল্ডিং হায়রিবা মশান্না অসিগী তুংগী আশা লৈত্রে হায়না লৌবদি লানগনি। হান্নগুম এসিয়ন গেমস অমদি ৱর্ল্ড গেমসতা অমুক হঞ্জিনহন্দুনা ওলিম্পিক গেমসকী মশান্না অমা ওইহনসি হায়রবদি লম্বী অমদি লৈরি। লম্বী অদুদি কম্পিটিসন খুদিংমক্তা ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সীগী চৎন কাঙলোনশিং ইন্দুনা দ্রগ টেষ্ট তৌরিবা আই এন বি এ (ইন্টরনেসনল নেচরেল বোদিবিল্ডিং এসোসিএসন) অসিনি। মসিগী এসোসিএসন অসি নত্তনা অতৈ অতোপ্পা লম্বী অমমুক লৈত্রে। মরম অসিননি ঐহাক ইশামক্লা কন্না হোৎনজদুনা আই এন বি এগী নেচরেলগী ওইবা চাংদম্নবগী ইহৌবু পুরক্তুনা নেচরেল ফম্বাকশিং হাংদোকখিবা। ঙসিদি এসিয়াগী লৈবাক কয়াদা আই এন বি এ ওফিসিএল্লি হাংদোকপদা নত্তনা ইন্দিয়াদসু লৈরে লোয়ননা ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুরদসু আই এন বি এ মণিপুর ব্রাঞ্চ লৈদুনা লাক্লিবা মার্চ থা ফাওবগী মনুংদা মণিপুর ষ্টেট লেভেলদা নেচরেলগী ওইবা মশা মউ ফবগী চাংদম্নবা পাঙথোক্কদৌরি। তশেংবগীদি আই এন বি এ মণিপুর ষ্টেট লেভেল অসি চৎলিবা জন্যুৱারী থা অসিগী তাং ২৯, থাংজ নুমিত্তা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বনি অদুবু ওমিক্রোন হায়রিবা লাইচৎ অসি য়ৌশিল্লকপদগী দি সীনা অয়াবা পীদবদগী য়ৈথোকখিবনি। অদুবু ওমিক্রোনগী ফীভমসি হেক নেমথখিবদা শুংশোয় শোয়দনা পাঙথোক্লবা শেম শারি।

লোইশিল্লকপদা, হায়রিবা নেচরেলগী ওইবা ঈহৌসিদা ইরমদমগী শান্নরোয়শিংবু অমদি মশা মউ ফবগী মশান্না অসিবু শৌগৎপীবা, নুংশিবীবা ইরৈচাশিংনা লৈমিন্নবা, খঙন-চান্নবা ইচা, ইসু, মরুপ মপাং শান্নরোয়শিংবু হায়রিবা নেচরেলগী ফম্বাক অসিদা শরুক য়াহন্নবা পূক্লিং থৌগৎপীয়ু লোয়ননা নেচরেলগী ঈহৌ কোক্তা থাঙ্গৎতুনা খোঙজংলিবা আই এন বি এ মণিপুর ব্রাঞ্চপুসু শৌগৎপীয়ু হায়না আই এন বি এ এসিয়াগী প্রসিদেন্ট অমা ওইনা ময়াম পূম্নমক্তা পুনেমজরি। মখা তাবা, অকূপ্পা ৱারোলশিং খঙবীনীংবা লৈরবদি নেচরেল ঈহৌবু অফবা, অচুম্বা লম্বীনি খন্দুনা আই এন বি এ মণিপুর ব্রাঞ্চগী থৌ পুবিরিবা থৌবুরেলশিংগা পাউ ফাওনবীয়ু।

ৱাফম অমনা, ষ্টেরোইদস অমদি চাহৈদবা, ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সী অমদি ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিনা থিংলবা পোৎলমশিং শীজিন্নদুনা শান্নবা শান্নরোয়শিংদি হায়রিবা নেচরেলগী ওইবা ফম্বাক অসিদা শান্নরোয় অমা ওইনা শরুক য়াবীগনু। দোপিং টেষ্ট তৌবদা ফারবা শান্নরোয়শিংদি মশা মশাগী ফোটোশিং অমদি মমিং মথা লোইনা হাপ্তুনা মীয়ামদা খঙহনবনি আই এন বি এ, পি এন বি এগী website: Naturalbodybuilding.com গী হোল ওফ শেম পেজদা হাপ্পনি। নেচরেল ওইনা শান্নবনা তুং কোয়না, হকচাং ফনা, নুংঙাইনা পুন্সি লেনবা ঙম্মী হায়বা কাউফদে। ●